# ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী বজেট সেসন হৌখ্রে

## ২০০৫-০৬ তগী ওভর দ্রাফ্ট তাদ্রে ঃগভর্নর

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ*** মণিপুরগী গভর্নর গুরুবচন জগৎনা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী অহানবা মীফম ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনৌবা বিল্ডিংদা মহাক্কী এদ্রেসকা লোয়ননা হৌদোকখ্রে। মীফম অসিদা গভর্নরনা পীখিবা এদ্রেসতা ষ্টেটসিগী শেল-থুমগী মায়কৈদা গভর্নমেন্ট অসিনা থংন-থংননা চহি ৭ রেভিন্যু সরপ্লস তেক্ত-কায়দনা থম্বা ঙম্লে অমদি চহি ২০০৫-০৬ তগী ওভর দ্রাফ্ট তাদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্ট অসিনা এন্যুয়েল প্লান সাইজ অসি লুপা কোটি ৩২১০ দা হেনগৎহন্দুনা মমাংগী প্লানগী শেনফম লুপা কোটি ২৬০০ অদুদগী চাদা ২০ খঙহেন হেনগৎহনবা ঙম্লে। ৱাফম অসি প্লানিং কম্মিসন্দা পুখৎখিবা চিফ মিনিষ্টর, মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী অমসুং ওফিসারশিংগী মথক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি। গভর্নমেন্ট অসিনা এনএলসিপিআর গী মখাদা স্পিকর, ৱাটর সপ্লাই, রোদ এন্দ ব্রিদজ, এডুকেসন অতোপ্পা সেক্টরশিংগী প্রোজেক্টশিংগী ওইবা লুপা কোটি ১২০৬.৮৮ গী অপুনবা প্রোজেক্ট ১৪৮ গী সেঙ্কসনসু মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরদগী ফংলে। মসিগী মনুংদা অপুনবা কোটি ৩৫৩.২৩গী ওইবা প্রোজেক্ট ৫৪ মপুং ফানা লোয়শিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

১৩ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না য়াখোকপা ফিস্কেল কন্সোলিদেটেদ রোদ মেপকী মতুংইন্না ফিস্কেল রেসোন্সিবিলিটি এন্দ মেনেজমেন্ট রুল অসি এমেন্দ তৌরে অদুবু ৬ শুবা পে কম্মিসনগী রিকম্মেন্দেসনশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদগী শেল থুমগী ফিভমদা য়াম্না শাথিনা শোকহল্লে। ১৩ শুবা প্লানিং কম্মিসন্না ষ্টেটকী নন প্লানগী দরকার ওইবা অদুনা হন্থনা লেপখিবা অদুনসু শেল থুমদা হেন্না ৱাহল্লে। ১৩ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না পীরকপদা ৱাৎলিবশিং অদু মেনখৎননবা অহেনবা রিছোর্সশিং পীবিনবা ভারত সরকারদা লেপ্তুনা তকশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা চহি ২০১০ গী মনুংদা চখখিবা নেসনেল হায়ৱেজ ব্লোকেদ থনুংদা উংখৎনহনখি অমসুং মতম মতমগী ওইনা নোংমগী তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ফংহনখিদে। এনঐচ -৫৩ দা ঙাক শেন্নবা চাং নাইনা কনভোয়শিং শিনখি। গভর্নমেন্টনা মতম চানা অমদি চপ চানা লৌখৎখিবা খোঙথাং পোৎকী মমলশিং চাং চানা থমখিবদা মতেং ওইখি। গভর্নমেন্টনা জিরিবাম -তুপুল ইম্ফাল রেলৱে লাইন প্রোজেক্ট মতম চানা লোয়শিনবা অমদি এনঐচ- ৫৩ অপগ্রেদেসন তৌবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। রেলৱে লাইন প্রোজেক্ট অসিগী ঙাক শেন্নবা সিআরপিএফ বটালিয়ন অমা দিপ্লোয় তৌবিদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা পীরিবা অঙম্বা মতেং অসি ঐহাক্না খঙজে। মসিগা চপ মান্ননা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা বিআরও না এনঐচ-৫৩ অপগ্রেদেসন তৌরিবা অসিগী কুপ্পা য়েংশিল্লি। গভর্নমেন্টনা চহি ২০১৩ ফাওবদা এনঐচ- ৫৩ অসি অপনবা অমত্তা লৈতনা অপগ্রেদেসন তৌহন্নবা অমদি জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন ইং ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা এনএফ রেলৱেজদা অঙম্বা মতেং পীগনি হায়খি।

কেসিপি (এমসি)- লাল্লুম্বা হায়বা অহানবা ওইনা ট্রাইপরটাইট এগ্রিমেন্ট তৌবা ভেল্লি বেজ মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগা তৌনরিবা এগ্রিমেন্ট অসি কাদরশিংগী রিহেব্লিটেসনদা খুদোংচানবা অতোপ্পা চহি অমগা শাংদোক্লে । কেএনও অমদি য়ুপিএফ কী মখাদা লৈবা কুকি য়ুজি গ্রুপশিংগা তৌনবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন মমাং চহিগী আগষ্ট ১৬ তা নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা চহি অমগা অমুক শাংদোক্লে। চাওরাক্লা কাদর ১৫০০ দিজিগনেটেদ কেম্প ১১দা লৈহনখ্রে। ‘সু’ এগ্রিমেন্ট তৌনখিবদগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৫ দা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎলে হায়বা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ারে। ‘সু’ গ্রুপশিংনা য়ানখ্রবা গ্রাউন্দ রুলশিং ঙাক্লা চৎনবা জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপকী মীফমশিং য়াম্না তোয়না পাঙথোক্লি হায়খি।

ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিল এরিয়াজগী মতাংদা গভর্নমেন্টনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা ত্রাইবেল এফিয়ার্স দিপার্টমেন্টকী এলোকেসন চাদা ৫০ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল তরুক্তা পীথোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংদা শক্তি পীনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। চহি ২০১১-১২ গী মতমদা ত্রাইবেল এফিয়ার্সকী মখাদা লুপা কোটি ৪৩.৫৭ অমদি হিলস দিপার্টমেন্টকী মখাদা লুপা কোটি ১০৬.৭৫ চীংগী লমশিংদা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী লমশিংদা শীজিন্নখি। নিউ লম্বুলেনদা ত্রাইবেল মার্কেট শাবা মপুং ফানা লোয়শিল্লে অমদি ত্রাইবেল কমপ্লেক্সতা নুপী ভেন্দর ৬৩৬ তা দুকানশিং পীখ্রে। ত্রাইবেল মহৈরোই ৪৫,৭০৮ দা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপ পীনবা থৌরাং লৈরে হায়খি।

এডুকেসন সেক্টরগী মতাংদা ষ্টেট অসি এসএসএ অমসুং আরএমএসএ গী মখাদা জেআইএ বেজ স্কুল মেপ্পিং এক্সরসাইজ মপুং ফানা লোয়শিনবা লৈবাকসিগী অহানবা ষ্টেট ওইরে। গভর্নমেন্টনা আরটিই মেন্দেটকী মখাদা অনৌবা প্রাইমারি স্কুল ৫৩৫ শাগৎলি অমদি প্রাইমারি স্কুল ১৫৮ অপ্পর প্রাইমারি লেভেলদা অপগ্রেদিং তৌরি। জুনিয়ার হায়স্কুল ৬৭ হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌরে। গভর্নমেন্টনা ত্রান্সপরেন্ট ওইনা হায়স্কুল অমগা ওজা ৮গী চাংদা ত্রেন গ্রেজুয়েট ওজা ৫৩৬ রিক্রুইটমেন্ট তৌরে। নৌনা হাংদোকপা অমদি অপগ্রেদ তৌবা স্কুলশিংগী প্রাইমারি ওজা ১৯৫১ অমদি অপ্পর প্রাইমারি ওজা ৭৭৮ রিক্রুইটমেন্ট তৌবা লোয়রে। এসএসএ গী মখাদা ব্লোক রিছোর্স পার্সন ৭০ অমদি ক্লাষ্টর রিছোর্স পার্সন ৩৫০ লোয়ননা পার্ট টাইম ইন্সত্রক্টর ৩১৮ কন্ত্রেক্ট বেসিসতা এগ্রিমেন্ট তৌবগী থবকসু চখরি।

হেলেঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ারগী মতাংদা সরকারনা ইরাই লাইনা শেল অমদি মতম চংহন্দবা অমদি মগুন লৈবা হেলেঠ কিয়ার সার্ভিসশিং ফংহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী হেলেঠ ইন্দিকেটরশিং অসিনা ওল ইন্দিয়া লেভেলগা চাংদম্নবদা হেন্না ফগৎলে। ইন্দিয়াগী ইনফেন্ট মোর্তেলিটি রেট চাংচৎতা ৫০ ওইবদা মণিপুরগী ওইনদি মমাংদা ১৬ ওইরম্বদু ১৪ দা হন্থরক্লে। মেটরনেল মোর্তেলিটি রেট ইন্দিয়াগী চাংচৎতা ২১২ ওইবদা মণিপুরগীনা ১৬০ ওইরে। গভর্নমেন্ট অসিনা ১২ শুবা প্লানদা মসি ৮০দা হন্থহন্নবা পান্দম থল্লি। সেক্স রেসিওনা ইন্দিয়াগী ওইনা চাংচৎতা ৯৪০ লৈবগী মনুংদা ৯৮৭ ওইরি। ইন্সটিট্যুসনেল দেলিভরিনা ইন্দিয়াগী ওইনা চাংচৎতা চাদা ৪৭ লৈবদা ৬৮.৩ ওইরি। ঙন্না মমাগী খোল্লাং পীথকপদা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা চাদা ৩৩.৫ লৈবগী মনুংদা চাদা ৭৫.১ ওইরে। অঙাংশিংগী ইম্যুনাইজেসন্না ইন্দিয়াগী ওইনা চাদা ৬১.০ লৈবগী মনুংদা চাদা ৮১.৪ ওইরে। চীংগী মফমশিংদা পিঐচএসসি ১১৩, পিঐচসি ৪ অমদি সিঐচসি ৬ লিংখৎনবা থৌরাং তৌরি। হেলেঠ দিপার্টমেন্টনা নাবার্দকী শেন্থং মখাদা পিঐচএসসি ৪৬ অমদি পিঐচসি ৯ গী বিল্ডিং শাগৎনবা থৌরাং তৌরি। এমসিআই গী নোমর্স মতুংইন্না জেনিমসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেনগৎহল্লে অমদি এমবিবিএসকী বেটচ অনিগী মহৈরোইশিং মিং চল্লে। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিং মথং চহি ফাওবগী মনুংদা লোয়শিল্লগনি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চুরাচান্দপুরগী অনৌবা সিটি স্কেন মেছিন ইনষ্টোল তৌদুনা মথৌ তৌবা হৌখ্রে। লম্ফেলপাৎতা লৈবা নর্সিং স্কুল অসি নর্সিং কলেজগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌরে। ষ্টেটসিদা জিএমএম স্কুল ৬ শানবা মিনিষ্ট্রি ওফ হেলেঠকী শেন্থং মখাদা পায়খৎপা হৌরে। গভর্নমেন্ট অসিনা লম্ফোলপাৎতা অয়ুস কলেজ অমা লিংনবা লম পীরে হায়না ফোঙদোকখি। (মথং মথং)